ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯑꯣꯒꯁ꯭ꯠ ꯲꯸, ꯲꯰꯱꯸, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯲ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯵꯵ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, ওগষ্ট ২৮, ২০১৮, ইম্ফাল
৪২ শুবা চহী, ১৫৫শুবা মশীং

প্রাইভেট স্কুলশিংগী ফী

লৈঙাক্কী মতীক চাবা থৌশিল লৈহন্নিংই

প্রাইভেট স্কুলশিংনা অপান্বা মওংদা লৌনিংবা ফী লৌবগী থৌওং অমা ইন্দিয়াগী মফম পূম্নমক্তা উবা ফংলি। মণিপুরদসু অদু মঙায়রে, প্রাইভেট স্কুলশিংনা অপান্বা মওংদা কা হেন্না ফী লৌবদা য়েংশিনবীনবা লৈতে হায়বা য়াই। মহৈরোয়শিংগী লূপ অমসুং সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন খরনা মতাং মতমগী মতুং ইন্না য়ানিংদবা ফোঙদোরকপা নৎতনা হীরমসিদা লৈঙাক্কী অখন্নবা থৌশিল অমত্তা লৈত্রি। স্কুলগী ফী থীবা অমসুং ভেন নৎত্রগা বসকী অতোংমল পীনবা হোৎনবদা মমা-মপা ওইবশিংদি মকোক্তা খূৎ হাপ্তুনা খাঙবগী ফীভমদা লৈরি। মসিগী মথক্তা এক্সট্রা-করিক্যুলর এক্টিভিটি, স্পোর্টস অমসুং কম্প্যুটরগীনি হায়দুনা অহেনবা শেনফম অমা স্কুলশিংদা থীরিবনি। তৌবগীবুদি মগুণ লৈবা মহৈ তম্ফম লোয়শঙ ওইহনবগা লোয়ননা অফবা ওজা থমদুনা ৱর্ল্ড ক্লাসকী ইনফ্রাষ্ট্রকচর লৈহন্নবা হোৎনবদা য়াল্লবা শেনফম চঙলি। লন্নাই ফুরিৎখাউদগী পুথোল্লগা শেল মাঙনা স্কুল চল্লাইবদি য়াদবনিনা মিংজল শেল অমসুং থা-থাগী ফী হেনগৎলকপা মশানা তাবনি। অদুম ওইনমক লৌরিবা শেনফমগা খুন্নাইদা পীরিবা সর্ভিস, মরু ওইনা মহৈরোয়শিং তাকপী-তম্বীবগী মওংগা চান্নরিবরা হায়বদুসু খল ওন্দুনা য়েংফম থোকই। অফবা মহৈরোয় পুথোকপগী মতাংদা লৈঙাক্কী স্কুলশিংদগী প্রাইভেট স্কুলশিংনা য়াম্না হেন্না মাঙজিল থারি হায়বা তারগসু স্কুলগী ওজানা তাকপীবদগীরা নৎত্রগা মমা-মপানা প্রাইভেট ট্যুসন তমহনবদগীরা হায়বদু ময়েক শেংনা খঙবা ঙমদবগী ফীভমদা লৈরি। মমা-মপা ওইবশিংদদি মচাবু মশক নাইবা মী ওইহন্নবা প্রাইভেট ট্যুসন তমহনবদা অহেনবা শেনফম চাদিং তৌহল্লিবনি। ফরে হায়রিবা প্রাইভেট স্কুলদা তমহল্লবসু ট্যুসন তমহন্দবা য়াদবগী ফীভম লৈবনা মমা-মপাদা অনী থোক্লা শেল চাদিং তৌহল্লি।

লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈরিবা প্রাইভেট স্কুলশিংনা লৌনিং-লৌনিংবা মিংজল শেল অমসুং থাগী ফী লৌরকপগী মায়োক্তা ৱাকৎ কয়া লাকপদগী কোর্টতা কেস থেংনবফাওবা য়াওখ্রে। মদুনা মরম ওইরগা তামিল নাদু, কর্নাটকা, মহারাষ্ট্র, অন্ধ্র প্রদেশ অমদি গুজরাতনচিংবা ষ্টেটশিংদা প্রাইভেট স্কুলনা ফী লৌবগী মতাংদা কাঙলোন শেম্নখ্রে। অদুম ওইনমক প্রাইভেট স্কুল এসোসিয়েসনশিংনা লোগী মতেং লৌরগা শীংনরকপদগী কাঙলোনশিং মপূং ফানা চৎনহনবা ঙমদবগী ফীভমদা লৈরি। কন্ট্রোলর এন্দ ওদিটর জেনরেল (সী এ জি) গী রিপোর্ট মতুং ইন্না প্রাইভেট স্কুল অয়াম্বনা মরম অমা নৎত্রগা অমা পীশিন্দুনা অরানবা মওংদা মহৈরোয়শিংদগী অহেনবা শেল লৌই, ওজাগী তোলোপ মতীক চানা পীবীদে অমসুং একাউন্ট নীংথিনা শুদে হায়রি। হীরম অসিগী মতাংদা ৱাকৎ কয়া লাকখ্রবা মতুংদা লৈবাক্কী কোনুং ন্যু দিল্লিদা প্রাইভেট স্কুল ১২৮ না হেনগৎলুরবা থাগী ফী হন্থহনবা লৈখ্রে। চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালগী য়াথং মতুং ইন্না দিরেক্টোরেট ওফ এদ্যুকেসননা এপ্রিল থাদা প্রাইভেট স্কুল ১৯৫ গী ফী হন্থহন্নবা খঙহনখিবনি। ফী হন্থহন্নবা লৈঙাক্কী য়াথং থবক্তা ওন্থোক্লে হায়বদুগী রিপোর্ট পীরক্লবসু কেজ্রিৱালনা প্রাইভেট স্কুলশিংদা খঙহনখি। পূন্না প্রাইভেট স্কুল ১৯৫ লৈবগী মনুংদা স্কুল ১২৮ না লৈঙাক্কী য়াথং থবক্তা ওন্থোক্লে হায়বগী রিপোর্ট পীরকখি। লেমহৌরিবা প্রাইভেট স্কুল ৬৭ অদু লৈঙাক্কী য়াথং থৌশাদবগীদমক শো-কোজ নোটিস থাখি। মণিপুরগী ওইনসু প্রাইভেট স্কুলশিংনা লৌনিংবা মিংজল শেল অমসুং থা-থাগী ফী লৌবগী ৱাফম অসি মমা-মপা ওইবশিংদা অরুম্বা পোৎলুম অমা থোনগৎপগী ফোঙ-ফোঙ শারিবা ৱাফমনি। হীরম অসিদা লৈঙাক্লা অখন্নবা থৌরাং লৌখৎপগা লোয়ননা এদ্যুকেসনবু শেন্দান লম্বী ওন্থোকহন্দনবা হোৎনফম থোকই। প্রাইভেট স্কুল খূদিংমক্কী হৌজিক ওইরিবা ফীভম, ফী লৌবগী মওং মতৌ, ষ্টাফকী ক্বালিফিকেসন অমদি ইনফ্রাষ্ট্রকচরনচিংবা পূম্নমক মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহনফম থোকই। এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনসু লৈঙাক্কীবু ওইরবসু লন্নাইগীবু ওইরবসু স্কুল খূদিংমক্তা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবগা লোয়ননা এদ্যুকেসনবু শেন্দান লম্বী ওন্থোকপা ঙমহন্দনবা হোৎনফম থোকই। য়াম্না শেংনা হায়রবদা প্রাইভেট স্কুলশিংনা এদ্যুকেসনগী ফীভম ফগৎহনবগা মরী লৈনবা থৌরাংগী ফী হেনগৎপা য়াহল্লগসু শেন্দোং হেন্না ফংনবগী পান্দমদা ফী হেনগৎপদি য়াহল্লোইদবনি। করিগুম্বদা স্কুল অমনা ফী হেনগৎনবা থৌরাং লৌখৎলকপদা লৈঙাক্লা কুপ্না য়েংশিল্লগা মরম চারবদি হেঙ্গৎহনগদবনি, নৎত্রগদি অয়াবা পীফম থোক্তে। এদ্যুকেসনবু শেন্দান লম্বী ওন্থোরকপগী লাইবক থীবা থৌদোক অমদা ফী হেনগৎপা য়ারোই হায়রুবগীদমক মুম্বাইদা হন্দক প্রাইভেট স্কুল অমনা মহৈরোয় ২০ তান্থোকপগী থৌদোক লৈখ্রে। লৈঙাক্লা মীপূম খূদিংমক মহে-মশিন হৈহন্দুনা মতিং লৈবা খুন্নাই অমা ওইহন্নবগী পান্দমদা রাইট টু এদ্যুকেসন (আর টি ঈ) চৎনহল্লবসু নাকল অমরোমদা খূৎচাও থাদুনা এদ্যুকেসনবু শেন্দোন লম্বী ওন্থোরকপা তারগদি আর টি ঈগী ৱাহন্থোক লৈহন্দবগা লোয়ননা মতিং লৈবা খুন্নাই শেম্বদা খুরৌ থাংবা ওইনা থোক্কনি হায়জনিংই।

••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

হৌ চোঙবগী পাউদম অমত্তং

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

ঙসিদি লাইরমলেন্দা তিনখ্রবা, মতম অমদা ঐখোয়বু লমজিং-লমতাকপীরম্বা, শিংজমৈ চীংঙা মখাদগী ঐগী ওজা নোংথোম্বম অঙৌ মৈতৈনা অসুম্না হায়বীরম্মী, ঙসি ঐখোয়না লৈরিবা মণিপুর কৌবা ইরমদম অসিনা কুইরবা মতমগী মমাঙদা ঈশিংগী ঈপাক ওইদুনা লৈরম্মী অমসুং মতম অদুদা ঐখোয় চীংদোলদা লৈরম্মী। চীংদা খালি-লৌ য়ান্দুনা, মনা-মশিং থাদুনা হিংনবা পাম্বে থিদুনা অসুম লৈরকপনা চীংঙু লাইগী থৌজাল অমা লাকখি। চীংঙু নোংপোক নিংথৌ কৌবা লাই অসিনা নোংমা নোংপোক লৈহৌ চীংদগী কোয়না য়েংথোল্লকপদা চীংনা ইকোয় কোয়শিনবা মণিপুর কৌবা মফম অসি উরম্মী অমসুং মহাক্কী ৱাখলদা মফম অসিগী ঈশিং অসি চিংথোল্লগা মহাক্কী শান্নফম ওইগে হায়না খল্লদুনা মখা পাংবা লমদমদা চৎতুনা নুংথোঙ হায়বা মফম অমদা মহাক্লা পায়বা মচিন অহুম লোংবা তাজিন্না হুৎখি। মতৌ অসুম্না ঈশিং ঈপাক অদু কংখি। মদুদগীদি চীংদা লৈবা মীশিংনা তম্পাক্তা কুমদুনা খালি-লৌ তাবা হৌখি। অৱাংবা চীংদোলদগী কুমলত্তুনা খালি-লৌ য়ানবা, লাংফৌ মরূ-মরাং থাবসিদা নোংমদি মচিন মনাও অনীনা থবক্তগী পোথা চয়োম থোক্তুনা চাবা লোইরবদা মনাও অদুনা ময়াম্বদা হায়, য়াম্লুং ঐদি য়ূমদা কাররোই, ঐগী চয়োম থোংনবা চফু, উয়ান, চেঙ-চাক ইয়াম্বনা পুথবীরকউ, ঐদি লৌশঙসিদা লৈহৌরগে। অসুম্না মনাও অদু লৈহৌই, মমৈথংদা মাগী মচা-মশু চীংখোঙদা পুথদুনা য়ূম লীংবা হৌখি। ময়াম্বনা মনাওদা চীংদা কারসি হায়বা মতমদা মনাওনা মাদি চীংদা অমুক কাররোইগে হায়বদগী ময়াম্বনা অদুদি খুন্দা মী শিবদা, শিরে হায়বা খঙলরোই। নঙনা তমদা শিবা মতমদা ঐখোয়না খঙলরোই হায়বিরম্মী। মদুদা মনাও অদুনা খুম্মী, করিগুম্বা খুন্দা মী শিরবদি অহৌবা মখোল অমনা য়ৈরকউ। ঐগী তমদা মী শিবা মতমদা মৈ থাদুনা মৈখু খুরক্কে। অসুম্না মী লৈত্রে হায়বা খঙনসি; ঐগী য়ূম্নাক মশীং অসুক শুরে হায়বা খঙনবা মেরা থাদা য়ূমথোঙ খুদিংগী মৈরা অমমম থাল্লক্কে। অসিগী মতুং তারকপদা মেরা থা অসিদা চীংগী মপা-মচা, মচিন-মনাও তমদা কুল্লত্তুনা হরাউ তয়াম্না চাক চামিন্নদুনা থাঙ-তা পায়দুনা হৌ চোঙখি। অসুম্না ওল্লকপা চহীদা অমুক চীংগী মচিন মনাওশিং লাকপদা তমগী মচা-মশুশিংনা মমা-মপাদা পা, ‘হৌ’ লাক্লে হায়দুনা পাউ তমখি; মেরা থা লাকপা খুদিং হৌ চোঙবগী থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি। হৌ-হৌ চোঙবগী হরাউ নুংঙাইবা পাঙথোকপদা ‘হৌ’ হায়বা ৱাহৈ অসি হায়দুনা পূন্না চোঙমিন্নৈ অমসুং জগোয় শামিন্নৈ। অসুম্না ওজা অদুনা হৌ-চোঙবগী হৌরকফম লীবিখি। হৌ-চোঙবগী তোঙান তোঙানবা ৱারী কয়া অমা লৈরবসু ঐনা ঙসিদগী চহী ৫০ হেনবগী মমাঙদা তাখিবা ৱারী অসিসু নীংশিংজবনি, মেরা থানা য়ৌরকপসিদা।

অদোমগী - নাওরেম ব্রজমনি মৈতৈ, ককচীং শুমাক লৈকায়

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৮

১। মৈতৈগী মুক্না লাই হাক্তক্তগী শান্নরক্লবা মহৈনি। লৈশং যাত্রাগী মমিং তাদবা লৈত্রবনি।
    (ক) লৈশং যাত্রাবু ৱাইথৌ শোয়দা মুক্না থাখিবা মীশক্তু কনানো?
    (খ) চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজনা চীং-তম অনীগী অপূনবা যাত্রানি হায়না লাউথোক্লম্বা ককচীং খুঞ্জাওগী যাত্রাদুগী মমিং হায়য়ু।
২। “কবিতা কবিতগী মপোৎ নত্তে কবিতনা ইজরবসু/অপাবা মীগীসুনি, অতাবা মীগীসুনি...।” ৱাফমসি কবি অমনা হায়রম্বনি। কবিদুগী মমিং হায়য়ু।
৩। “খল্লি মানা শ্রীকৃষ্ণবু লমচৎ কান্বা নুপানি/অদুনা লৌশিনবা ঙমদে নুংগী অথূপ্পা ৱা/উম্মগতা মতোকই, উম্মবা তুংদা ওথোকই।” পরেংশিং অসি মশাগী মিংবু শীজিন্নদুনা ইগনবা কবি অমগী শৈরেংদগীনি। মহাক্তু কনানো?
৪। ‘পোনগী চেক্লানি ঐ’ কৌবা শৈরেং লাইরিক অদুগী অইবীদু কনানো?
৫। মণিপুরী ৱারীমচা খরবু আসামীজদা ‘সরিয়হ ফুলর ঠাইখনত’ হায়না হন্দোকখিবী অনুবাদিকা অদু কনানো? মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ৩০, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী ড্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

মৈতৈ ইঙ্খোল অমগী মহৌশাগী শক্তম অসুম-অসুম নীংশিংলকপা

হেক্তা হায়নীংলকই - ৫১৩

জিতেন নামৈরাকপম



মণিপুরসি চাওখৎতে হায়বা য়ারোই, ফজনা চাওখৎলবা ষ্টেট অমা ওইরক্লে। অসুম্না হায়নৈ। মপান লমদমদগী লাকপা, কোইরকপা টুরিষ্টশিং নৎত্রগা লমদম অসিদা মতম কুইনদগী খুন্দা লৈতাদুনা লৈরক্লবা মীয়ান মচাশিংনসু অদুমক হায়নৈ, ঙাংনৈ- মণিপুরদবু লায়রবা লৈব্রা? খরা মনুং হঞ্জিন্না লৈবা চাউখৎপগী মঙাল ফংদ্রিবা লায়র অনং খরা নৎতনা কোম্পেক্ট ওইনা তারিবা লৈকায়, খুঙ্গং অয়াম্বদা লৈনরিবা য়ূমলৈ-কৈরৈ, য়ূমশা-কৈশাদা অনৌবা যুগকী মমি ফজনা তারে। দিষ্ট্রিক্ট ১৬ লৈরিবশিংগী হেদ ক্বার্টরশিং ইম্ফাল ময়োল, চুড়াচান্দপুর, ককচীং, থৌবাল, সেনাপটি, উখ্রুল, চান্দেলনচিংবদা শাগৎলিবা ফুরা দলান, এদমিনিষ্ট্রেটিভ ওফিস, ষ্ট্রকচর কয়া ইরায় লায়না অদুমক উবা ফংগনি। তম্পাক লমদা হায়রগনা ই-না কুপ্পা মৈতৈ য়ূমশা হৌজিক থিবদা ৱারে। সী আই জি শীট নৎত্রগা চেক, কনক্রিটতনা শাবা য়ূম, শঙ্গোয়, গরাজ, লৈখোম থোক্ত্রবা কনক্রিট হৈরবা শুমাঙ থেল্লোং, য়েনখা-লুখা পাক্কা দ্রেনতনা মহুৎ শিনখ্রে।

অমরোমদসু অমুক ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা গাড়ী মশীং য়াম্না উরমদে। সাইকলনা কোলেজ অকা-অকুম তৌরম্মী। লম্বীগসি ইহাং হাংলম্মী। হৌজিক্তি কমদৌরে মচু-মচুগী মখল-মখলগী মমল তাঙলবা কার, মখল-মখলগী গাড়ীতনা পুময়োম য়োমদুনা চেল্লে। ইম্ফাল ময়োলগী লম্বীদবু করম্বা মতমদা ট্রাফিক জাম ওইদবা য়াওবগে। হৌজিক্তি য়ূমথোঙ খূদিংদা ফোর হ্বিল্লর লোইদবা ইমুং লৈত্রে। কার মখল ৩/৪ দগী তাদনা থম্বা য়ূমসু য়াওরি। চাংচৎ ওইনা য়েংবদা মণিপুরদা লায়রবা লৈত্রে হায়না লৌবা য়ারে ঙাংনরি। ফনা লায়রবনি হায়দুনসু ভিক্ষা নিবা মীওই লৈতে। ঙম্ন-ঙম্নবা লাকপ্রা, ফোয়ব্রা, হুব্রা তৌরগা হিংবা মীওইসু ওপার অমনি। লায়রবগী মশক হায়বদুমদি উদ্রবা মতমনি। মতমসিগী মী ওইনা হিংনবা হোৎনবদা ৱাজরবা মীওইসু ওখাক য়াম্না লৈরি। ফীভম তাদ্রবা চাকখুমগী মৈ মুৎলবা, চফুদা মিরাং থাংলবা ইমুংদুদগী থোরকপা মচা-মশুশিং মশা নান্না নান্না লাই মচা মানবমখৈ থোরকই। হুমাং তাবা থবক শূকশূ শূ হায়বা য়াদ্রবা কৈ তরেৎনা চাবদা লেমগদবা শাহৌ ফবা মচানুপাদুগী কাঞ্জল চৈখোক্তা লুপা লিশিং ৫/৬ পীবা জেকেৎ অতাঙবা, খোঙ্গ্রাউ য়ান্দুনা লৈরম্মী। কাঞ্জদসুনি লুপা লিশিং ৬/৭ তগী তাদবা নাইকী, এদ্দিদাস, পুমাগী খোঙউপ হেক্তা মরৈরম্মী। নোংঙানবদগী হৌনা য়ূমগী থবক ইনখাংদি ইশূ শূদ্রগা কেবতনা মথৌ ওইজবী মচানুপী/মশুনুপীগী খূৎতা য়ামদ্রবদা লুপা লিশিং তরাগী মথক্তা পীবা মোবাইল ফোন অমহেক্তা পায়রম্মী। ইমুংগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম হান্না ওইরম্বা তুংদা ওইরক্কদবগী ৱাখল ইখন খন্থদবীদা প্রজেন্ট সিচ্যুএসনসিদা ঙম্ন-ঙম্নবা তৌনবসি কন্না চৎনরক্লি। মতমসিদা মী ওইনা পোক্লুরবদি মতমসিগী মী ওইনা হিংবা তায় হায়বগী ৱাখলদা অয়াম্বনা হুমদুনা পুরি। মসিগী অফবসু লৈ। ফত্তবসু লৈ। অদুবু, ঐখোয়সি ইনাক খুল্লিব্রা নৎত্রগা অৱাৎপতনা থল্লিব্রা হায়বদু হঙ্গৎনা য়েংবদি চঙই।

হৌজিকপু য়েংঙু ঐখোয়না হিংলিবা পূন্সি মহীং শেলতনা থোং শারগা চৎলিবনি। নোংহেক ঙানবদগী শেল অদুম তিংবা হৌরে। চিন-য়া শেংবা, খোঙ-খূৎ হান্বা শেলগী শেল মত্তনি। ঐখোয় মতমদুদা ঈশিং লৈরগা শীজিন্নরমদে। য়ূম খূদিংগী, লৈকায়গী পুখ্রি অমদি লৈনরম্মী। হৌজিক্তি খোঙ হান্বা চঙবদা শীজিন্নরিবা ঈশিংদু মমল পীদুনা লৈরগনি। টুথ পেষ্ট, টুথ ব্রশ, টঙ ক্লিনর শেল পীরগা লৈরিবনি। শেলনা লৈত্রগদি চিন শেংদবা তাবা। অদুদগী হৌরক্লে হকচাং শাবন, ফিশু শাবন, দিটর্জেন্ট পাউদর, কোল-লিক ফেংনবা ভীম, টাইদ করি করি, ব্রেক ফাষ্টকী অচাপোৎ মখল-মখল তাঙবদগী হোঙবদগী, থক্লবা মহী-মরাং, গাড়ী থৌগনি, থাউ হানগনি, মখল-মখলগী টেক্স কয়া লঞ্চকী অহাউ মথেল মথেলগী হীসাব, নুপীগী অঙাংগী, লৈকায়গী, পোৎয়েং-পোৎপাঙ, তোঙানবা এক্সট্রা এক্সপেন্দিচর, থাউগী, থুমগী, মোরোক্কী, ঙারি-ঙাতাই, চেঙ-হৱাই অঙকপনি। নোং হেক ঙানবদগী নুমিদাং তুমদ্রিঙৈ ফাওবদা শীজিন্নরিবা পোৎলমশিংসু মপান্দগী পুশিল্লকপা শেল তিংনা লৈবা ঙাক্তা। য়েত্তুমফাও শাবা ঙমদবা মণিপুর, কোই ফান্নবা ব্লেদফাও মপান্দগী লৈরি। মৈখেৎসুনি, মৈখেৎসু শাদে, উটি থোংবদা থাকপা সোদা বাইকার্বোনেট মতম অমদা ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈ সুধা হায়না খঙনরম্বা, ফিগসু শুবদুসু মপান্দগী পুশিল্লকপা লমদমনি। মতাং অসি য়ৌরকপদা ঐখোয়গী ইঙ্খোলদা হৌবা মতম লোয়রদুনা কঙহল্লবা হৱাইথরাক পান্বী মৈ থাদোক্তুনা উৎ ওলহল্লগা মদুদগী চুমথোরকপা মহীদুনা উটি থোংলগা চাখিবদু হৌজিক্তা খঙহাউ হাউবগুম খল্লকই।

লায়রবদি ওইরগা ইনাকখুনবদি শাবা মশীংসু ৱাৎতবা লমদমসিদা অরেম্বদা শেল তিংহন্দবা থায়নগী পূন্সি অদু নুংশিরকপা ওইনা মকোক্তগী অমুক হঞ্জিলহন্নীংলকপা মতাং য়াওরকই। ঐখোয়গী ইপূবোকহোয়না চীন শেংলকপদা টুথ ব্রশ মশক খঙপোৎতে, ৱাগুম্বা পয়া নৎত্রগা উরিকশিবী মশাদু কুপ্না শায়রগা উৎনা ময়া শেংলম্মী। অদুক অহল ওইরবদু ময়া কেনখিদে লংত্রিক লংখি। হৌজিক মতমগী অতাঙ-অতাঙবা অকে অমৌগী পোৎলমশিং শীজিন্নরমদে। গ্লিসরিনগী মহুৎতা হৈবীগা চুহীগা থীৎতুনা পাত্র অমদা হাল্লগা শীজিন্নরম্মী। উনশা কুচু লংত্রিক লংনা ফজখি। চন্দোন চৱা লংত্রিক লংনা থিন্দুনা মশা নান্না পূন্সি লেনখি। নোংঙানবদগী ফদিগোম মপূন অমা লৈবগীসু কৈথেলদা থোক্লরমদে। শুপ্নতগী ইঙ্খোলদা হৌবা মনা মশীংতনা হেকপা চাবা ঙম্নরম্বা নত্তে। পেরুক, মোনশাউবী, য়েনশিন, পান, পান্দা, সেবোৎ, মাইরেন, খোঙদ্রুম, তোর্বোৎ, মখল-মখলগী হৈ, হৈনৌ, হয়াই, হৈতুপ, নাসপতি, হয়েল, চোরফোন, চম্প্রা, নোবাপ, হৈবান, হৈবী, অৱাথবী, কফোই, লফোই শেল অমত্তা তিংদনা ইঙ্খোলদগী হেক্লগা চারম্মী। মখল-মখলগী ঙা কয়াসুনি মমাং পুখ্রিদা ঈন থাদুনা ফারম্মী থংনবদা লৈবা খোংবান পরেং ঈশিৎপদতা ঙামু, ঙাক্রা, উকাবী, ঙশাং, ঙাপেম্মা, ঙাশেকনচিংবা মখল শুনা ফারম্মী। অদুবু হৌজিক্তি মীশীং য়ামখৎলকপগী মতুংইন্না য়ূম-কৈ কয়া লেপ্তুনা শাজিল্লকপা খোংবান কয়া ফুনজিল্লকপদগী মতমদুগী মহৌশাগী ওইবা শক্তম অদু উবা ফংলক্ত্রে। অদুবু খনবদি খল্লি, মৈতৈ ইঙ্খোল, মৈতৈ য়ূমজাওগী ফজরবা মশক অদু কৈদৌঙৈ উবা ফংগনি।◂◂

ময়োল অমদি ষ্টেট লৈঙাক অনীগী অঙকপা থৌওং খরা - ৪

ৱাখল ইহুল

সোরাম ইবোহল লূৱাং

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভি সী এ পি পান্দে শিন্দোকউ হায়দুনা মুসুনা চৎলিবা কুমজাসিগী মে ৩০ দগী খোঙজং চঙশিনবা হৌখিবনি। ভি সীনা য়ুনিভর্সিটিসি চলায়বদা তৌরিবা থৌওংসি য়ানিংলক্তবদগী মুটা অমদি মুসানসু মথং মথং য়াওশিল্লক্তুনা এম য়ুগী থবক থৌরম লোইনমক পুমলেপ লেপ্লকখিবনি। মখোয়না ভি সীগী মথক্তা মরাল ময়াম অমা শীরবসু, শমজিল্লগা মরুওইনা “শেল-থুম শীজিন্নবদা মওং মরিল তাদবা/লান্না শীজিন্নবা অমদি এদমিনিষ্ট্রেসনদা অশোয়বা কয়ামরুম লৈ” হায়বসি ওইগনি হায়না খল্লি। মসিদা ভি সী মশানা শীরিবা মরালশিংসি য়ানিংদে, মশাগী ওইনদি অশোয়বা অমৎতা লৈতে, য়াম্না মখৌ পোংনা অমদি য়াম্না উশিৎ থওইদবগী মওংদা মহাক ভি সী ওইনা অদুমক ওইদুনা লৈথখিনি হায়বসিনি। মাবু (পান্দেবু) নোংমা নোংমগী পামদবগী চাংদি মুসু, মুটা অমদি মুসাগী মথক্তা সিক্যুরিটিগী তোঙান তোঙানবা খোঙথাং কয়া লৌখৎলকপা, মানা তৌরিবা থবক থৌওংগীদা হেন্নদুম অওক-অথোম তৌনদুনা শীংনরকপা অসিনচিংবনি হায়বা য়াই। এম য়ুগী অকোয়বদা লৈরিবা ক্লবশিং, মৈরা পায়বীশিং; য়ুনিভর্সিটি মণিপুরদা হাংহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা ভেটরান পোলিটিসিয়ন ওক্রম জয়; অতৈ পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মশক নাইবা খরসু য়াওশিল্লক্তুনা ভি সী এ পি পান্দে শিন্দোক্লবগী খোঙজং কনশিল্লকপা; ষ্টেটকী কোংগ্রেস পার্টিশিংসু এম য়ু কেম্পস মনুংদা চঙশিন্দুনা ফেক্ট ফাইন্দিং কম্মিটি শেম্লগা এম য়ুগী ৱাথোক লোইশিন্নবা হোৎনবগী খোঙজংদসু নাকোয়ননা য়াওশিল্লকপা মীচম মীয়াম্না খঙখ্রে। মসিদা হৌজিক ষ্টেটসিগী লৈঙাক্কী মচিন তোংবা লুচিংবশিংনসু য়ুনিভর্সিটি থিংবগী খোঙজং হন্দোকহন্নবা তোঙান তোঙানবা পাম্বে কয়া শীজিন্নদুনা হোৎনবা ময়াম অমসু মীচম মীয়াম্না খঙখ্রে উখ্রে। পোলিটিসিয়নশিংগী হৌনবী মখোয় মশেলগী মরক্তা চিনগী লান শম্না, চিন্দা-পাউদানবা হায়বদু অদুম লেপ্তুনা তৌনদুনা লাকখিবগী অশেংবা ৱারোলশিং লমদমসিদা ফোঙবা পাউচেশিংদা মতম মতমগী ওইনা ফোঙনখ্রবা মত্তনি। মরক মরক্তা ষ্টেটসিগী লৈঙাক মপু ওইরিবা এন বিরেননা য়ুনিভর্সিটিগী কম্যুনিটিগী মীহুৎশিং হায়বদি মুটা, মুসু, মুসাগী মীহুৎশিংদা তারিখ, মতম লেপ্লগা কয়ারক উনরগা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবগী খোঙজং কয়ারক চথুখ্রবনি। মদুদা য়ানবা ঙমদবদগী য়ুনিভর্সিটি থিংবগী খোঙজং হেন্না কশিল্লক্তুনা অনৌবা মায়ওন অমদা চথুরকখি। খোঙজংদুগী শরুক অমা ওইনা ক্লাস চথুরম্বা - মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদদি এফিলিএট তৌবা কোলেজশিং লোইনমক ক্লাস বোয়কোট তৌবা হৌরকখি। অদুদগী এম য়ুগী থবক থৌরম খুদিংমক টোটল সটদাউন হায়বদু ওইরকখি। ষ্টেট লৈঙাক্কী মায়কৈদগীদি হায়ফম থোকপা তৌফম থোকপা অমা ওইনা মহৈরোয়শিংগী পরিক্ষা হায়দোক্তনা লৈরিবশিং হায়দোকহন্দুনা মথৌ তাবা সর্টিফিকেটশিং পীথোকহনবা, পরিক্ষা তৌগদবশিংগীনা সিমেষ্টরগী পরিক্ষাশিং পাঙথোকহন্নবা শীনবা; ক্লাস তৌবা য়ারমদবশিং ক্লাস চাং নাইনা তৌহনবা - শম্না হায়রবদা য়ুনিভর্সিটিসিগী মখাদা লৈরিবা মহৈ-মশিন তল্লিবা - জেনরেল, টেক্লিকেল, প্রোফেস্নেল কোর্সশিংগী মহৈরোয়শিংগী পুন্সি কনবা হায়বসিদা অকনবা মীৎয়েং চঙবসিদি লৈঙাক্কী মথৌনি।

নাকল অমরোমদা, এম য়ুগী ভি সী এ পি পান্দেবু কনখৎনিংবা লুপ খরনদি লুপশিংদুগী অপান্বশিং য়াম্না ইচং থৌনা মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্টতা তক্লরগা থুংহনবা ঙম্বনা য়াম্না মতিক চাবা ভি সী অমা ওই, মাবু (প্রো: পান্দেবু) শিন্দোক্লবা হায়বসি মরম চাদে হায়দুনা লুপশিংদুনা কন্ট্রোল তৌবা মফমশিংদা কাউন্টর রেল্লিশিং পাঙথোকখিবগী অফোঙবা থৌদোক লৈখ্রে। ইম্পেক্ট টি ভিগী ‘মনুং হুৎনা’ হায়বা প্রোগ্রামসিদসু খন্নবদা ফোঙদোকপা লৈখ্রে। মতাংসিদা পাউচেসিগী তাং ৭/৮/২০১৮ দা য়াওখিবা পাউ অমদা “পুলিসনা ঙাক্লগা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি কল্লু হায়বা খোঙচৎ চৎখ্রে - পোলিটিকেল পার্টিগী লুচিংবশিং, মহৈরোয়শিং অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী কম্যুনিটিনা পেন্দবা ফোঙদোক্লরক্লি”; নুমিৎসিমক্তদা ফোঙখিবা পাউ অমদনা “পোলিটিকেল পার্টিশিংগী রেল্লিনা থিংলগা ঙরাংগীনা করিগী থিংদ্রিবনো : টি এন হাওকিপ” হায়বসিনি। হায়রিবা রেল্লি অনীমকসি লৈঙাক্লা পামদবা থৌদোক থোরকপা থিংনবা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী মফম পূম্নমক্তা সী আর পি সীগী সেক্সন ১৪৪ গী মখাদা অথিংবা লৈবা মতমনি।

মখা তারকপদা অইবনা য়াম্না নিংঙমদবা ফাওরকপা অমদি ময়োল লৈঙাক অমসুং ষ্টেট লৈঙাক অনীগী চপ মান্নবা মচৎ অমগী মরমদা লমদমসিগী লাইওইখ্রবা পুরেল-পুকোকশিংনা হায়বীরম্বা “নামা হায়রিঙৈদা য়াদ্রগা পোমা হায়রগা য়াবা” হায়বা থৌদৌদু তারব্রা হায়বসিনি। মরমদি মুসুগী অহানবা দিমান্দদি এম য়ুগী ভি সী ওইরিবা এ পি পান্দে শিন্দোকউ হায়বসিদগী হৌরকখিবনি। মতমদুদা ভি সী মতম খরদংগী ওইরবসু ময়োল লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লোয়শঙনা মহৈরোয়শিংবু মচা মনাওশিংনি খল্লগা তৌবীরল্লবদি হৌরিবা ঈহৌসি মখা চথুরমদবসু য়ারম্বনি “নামা হায়বদা” হায়বদুনি। ময়োল লৈঙাক্কী মরী লৈনবা মিনিষ্ট্রিনা ভি সী এ পি পান্দে শোকপা য়াদে হায়বগী মওংদা কনখৎতুনা ষ্টেটকী অমদি ষ্টেটসিগী মহৈরোয়শিংগী ৱাকৎ তাবীদনা মতম শাংনা লাকখিবদগী ভি সী মশাগী ইগো (অপঙ নাপল) লৈখিবনি। মে ৩০, ২০১৮ দগী হৌরগা তাং ১৬/৮/২০১৮ ফাওবদা পূন্না নুমিৎ মশীং ৮৫ মাঙহল্লবা মতুংদা হায়রিবা নুমিৎসিদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী মমাঙদা এম ঐচ আর দি জোইন্ট সেক্রেটরি, মণিপুর গভর্নমেন্টকী হায়র এন্দ টেক্লিকেল এদ্যুকেসনগী কম্মিস্নর অমসুং খোঙজং চঙশিল্লিবা মুসু, মুটা, মুসাগী লুচিংবশিং য়াওনা নাকল অহুমগী মরক্তা কন্দিসন খরদা য়ানদুনা মেমোরেন্দম ওফ এগ্রীমেন্ট (এম ও এ) শোই তৌনবসিনা “পোবা হায়রগা য়াবা” হায়বদুনি। অদুদগীদি মহৌশাগুম য়ুনিভর্সিটি হাংবা অসিসুনি। এম য়ুগী রেজিষ্ট্রার ইন-চার্জ প্রো: এন শ্যামকেশোনা তাং ২১/৮/২০১৮ দা থোকখিবা ওফিস মেমোরেন্দম অমনসু ইনক্বাইরি মতুং ইনক্বাইরি রিপোর্টতা য়ূম্ফম ওইদুনা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা ফোলো অপ এক্সন লৌখৎত্রি ফাওবা প্রো: এ পি পান্দে লীভতা লৈগনি হায়নসু ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। এম ও এদা মীওই অনীনা শাবা ইনক্বাইরি কম্মিটি অদুগী চেয়রমেননা হায় কোর্ট ওফ মেঘালয়াগী হান্নগী এক্টিং চীফ জষ্টিস টি নন্দকুমার সিংনি অদুগ টেজপুর য়ুনিভর্সিটিগী হান্নগী ভি সী প্রো: এম কে চৌধুরিনা মেম্বর ওইননি। মীওই অনীসিনা শাবা ইন্দিপেন্দেন্ট ইনক্বাইরি কম্মিটি অমা শেমদুনা ভি সী প্রো: এ পি পান্দেগী মথক্তা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী কম্যুনিটিনা শীরিবা মরালশিং - শেল-থুম লান্না শীজিন্নবা অমদি এদমিনিষ্ট্রেসনদা অশোয়বা কয়া থোকহনবা হায়বদুগী মতাংদা থিজিন্দুনা থা অমগী মনুংদা ইনক্বাইরি কম্মিটিনা রিপোর্ট লানখৎপা হায়না য়ানখিবদুনি।

ক্রিটিসিজম কয়াগী মরক্তা এম য়ুগী ভি সী অদ্য প্রসাদ পান্দে নুমিৎ ৩০ নিগী ওইনা ওগষ্ট ২, ২০১৮ দগী ছুটি পীখ্রবনিনা, মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্টকী অয়াবা লৌরগা য়ুনিভর্সিটিগী রেজিষ্ট্রার ইন-চার্জ প্রো: এম শ্যামকেশোনা থোকখিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি এক্ট, ২০০৫ গী ষ্টেচ্যুট ২ (৬) কী মতুং ইন্না ভি সী ফম হাঙদুনা লৈরবদি খ্বাইদগী সিনিয়র ওইবা প্রোফেসর অমনা ভি সীগী থৌ পুগদবনি হায়বনা দিপার্টমেন্ট ওফ লাইফ সাইন্সেসকী প্রো দল্লিয়ু বিশ্বানাথ সিংহবু এম য়ুগী ভি সীগী মথৌ ঙসিদগী পাঙথোক্লুবা হাপ্লবসু খরা কোন্না চার্জ লৌখিবা মাল্লি।

অরোইবা থমজনিংবদি মীওই অনীনা শাবা ইনক্বাইরি কম্মিটিদা হান্নগী ভি সী প্রো: পান্দেনা শীজিন্নরম্বা ফাইলশিং অমদি দোক্যুমেন্টশিং অনৌবা ভি সী ইন-চার্জ অমসুং রেজিষ্ট্রার ইন-চার্জগা তান্নরগা মথৌ তারকপদা ইনক্বাইরি কম্মিটিদা শিন্নগদবসি অনৌবা ভি সী ইন-চার্জনা হান্নগী রেজিষ্ট্রার ইন-চার্জ প্রো: এম শ্যামকেশোসি ভি সী প্রো: পান্দেগা য়াম্না নকশিন্নবা মীশক ওই হায়না লৌবদগীনি খঙদে, মাগী মহুৎতা প্রো: এম ঐচ দোরেন্দ্রজিৎপু রেজিষ্ট্রার ইন-চার্জগী থৌ পুহন্নবা ওগষ্ট ২৩, ২০১৮ দা থোকখিবা ওর্দর অদুগী মতাংদা মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিছোর্সনা খন্নরে হায়না ওগষ্ট ২৪, ২০১৮ দা মিনিষ্ট্রিগী দেপ্যুটি সেক্রেটরি সুরট সিংহনা এম য়ুগী ভি সী ইন-চার্জদা খঙহল্লকখি। হৌজিকমক্কী রিপোর্ট অমা মিনিষ্ট্রিদা পীরক্লুবা খঙহল্লকখিবগী মতাংদদি মরী লৈনবা মিনিষ্ট্রিনা অথুবা এক্সন লৌরকপা অদুম হায়না এম য়ুগী ভি সী প্রো: এ পি পান্দে শিন্দোকপগী মতাংদসু প্রোম্প এক্সন লৌবীরল্লবদি মণিপুরগী মহৈরোয় লীশিং কয়াগী পুন্সিদা অমাঙবা কয়ামরুম থোক্লমলোই হায়নিংই।

হৌজিক্তি ভি সী প্রো: এ পি পান্দে লৌথোকপা হায়বসিমদি মুসুগী লেঙদ্রবা দিমান্দ ওইজরবসু এম য়ুগী নোর্মেল ফঙ্কসনদি হৌরবনিনা পূম্নমক্কী য়াইফবনি হায়না লৌজরে। মথক্তা য়ানখিবা এম ও এগী মতুং ইন্না এক্সন লৌবা তারকপনা - হান্নগী হায় কোর্ট ওফ মেঘালয়াগী এক্টিং চীফ জষ্টিস টি নন্দকুমার সিংহ অমদি মেম্বর টেজপুর য়ুনিভর্সিটিগী হান্নগী ভি সী প্রো: এম কে চৌধুরি অনীনা থিজিল্লগা পুথোক্লক্কদবা রিপোর্টকী মখা পোল্লে হায়না থমজগে।◂◂